ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ০৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২১৯শুবা মশীং

# লোনা য়াদ্রবসু কান্নবদি লৈ

## অদুবু মতুংদদি থোকহল্লক্কনু

নেসনল হায়ৱেদা বন্দ/ব্লোকেদ/জেনরেল ষ্ট্রাইক নৎত্রগা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদনচিংবগী খোঙজংশিং চথরকপসি লোনা য়াদে। চুম্নগী লৈজরিবা লোশিং অসিনা য়াদবগী মথক্তা নেসনল হায়ৱেশিংদা খুরৌথাংগদবা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা তৌদনবা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েল ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা ফাওবা মরী লৈনবা কেস খরগী মতাংদা পীবা ময়েক শেংলবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরশিং লৈরি। অদুগা লৈবদগী চৎনরক্লিবা লো অমসুং সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা জজমেন্টশিংসি মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনী - এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) অমসুং নম্বর-৩৭ (ইম্ফাল জিরিবাম) খক্তগীসু নত্তে। লৈবাকসিদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱে পূম্নমক্কীনি। হীরম অমত্তদা নেসনল হায়ৱেশিংগী মহৌশাগী ফীভম শোকহনগদবা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে। ৱাফমসি হৌজিক চৎনরিবা পুমচুম চুন্নবা ৱাফমনি। অদুবু অসিগুম্বা লো অমসুং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী রুল্লিংশিং লৈরবসু নেসনল হায়ৱেশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপগী থৌদোক্তি হেক-হেক থোক্লকই, মীয়াম্না হকথেংনৈ। থৌদোকসি লৈবাকসিগী ষ্টেট কয়াদসু থোকই। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদসু থোকই। অদুগা মণিপুরদনসু খরা খিৎ তোয়না থোকপদৌনসু তৌই। থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিদি থোকহল্লকফম থোকপা অচুম্বা থৌদোকশিংদি নত্তে। থোকহনফম থোক্তে। অদুবু মসি হায়রগসু অদুম্মক লেপ্তনা থোরক্লিবগী মরম্না করিনো? ৱাহংসিগী পাউখুম অমা-অনীদা নত্তে, য়াম্মী। খরদং খনগৎলবদা টোটেল বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইক, শটদাউননচিংবা খোঙজংশিংদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা খোঙজংশিং ওইবনা অপান্ননা লৈঙাক্তা অতম্নবা ওইরবসু চৈথেং-চৈফুদি মীয়াম্না মায়োক্লবনিনা কান্নরক্তে অমসুং মহয় ফংলক্তে, কাপ্ত-থাঙ তারক্লে। অদুগা মণিপুরদি হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম পূম্নমক মপান্দগী লোইনা তাংবনিনা চুম্নতগী অককৃবা নুমিৎ খরখক্কী নত্তনা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লক্লবদি লৈবাক মীয়াম্না কন্সর্ন ওইরকপদা নত্তনা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙলকই। মণিপুরগী হায়ৱে অনীমকপু চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা সিক্যুরিটিনা শৌগ্রী য়ুংবদৌনা লেপ্পা ঙমদবনিনা থন্নিবা অথিংবদু থুগাইরকপনি হায়বশিংদা লায়না খূৎ থাবা ঙমহন্দে। মরমশিং অসিনা চীং অমসুং তমগী লূপশিংনা লৈঙাক্তা নিংঙাই তৌরকপদা লো অমসুং জজমেন্ট কোকথোং অমা লৈরগসু নেসনল হায়ৱেশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লিবনি।

অদুগা অসিগুম্বা হায়ৱে পকপা অমসুং কোনশিনবা খোঙজংশিং চথরক্লগনা নেসনল হায়ৱেদা খুদোংচাবা লৌরে হায়বগী ৱাফম হেক্তা কাংথোক্লরকপনি। হায়রকফমসু থোকপদগী হায়রক্লিবনি। তৌইবু তৌই হায়রকপনি। তৌসু তৌনরক্লিবনি অদুনা হায়নরক্লিবনি, হায়সনু। অদুবু মতাংসিদা অমুক হংবা য়াররক্লিবনা শোকপা-পনবা য়াদবা লাইফ-লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্কদবা, শীজিন্নবা য়াবা মরমশিং, অশোয়বা-অরানবশিং করিগী লৈহল্লক্লিবনো হায়বসিনি। লৈঙাকসি সিটিজেন সেন্ট্রিক গভর্ণমেন্ট হায়বগী মথক্তা একাউন্টবিলিটি অমসুং ট্রান্সপরেন্সি লৈনা গভর্নেন্স চথবা লৈঙাক্লি হায়রিবনি। করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনগনি হায়রিবা থৌনা ফবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা লৈঙাকনি। দবল ইঞ্জিনগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। পেন্দবা, পামদবা, নুংঙাইতবা অমসুং ৱারৌবনচিংবশিং লৈফম থোকপ্রা? লৈহন্দবা ঙম্ফম থোক্তব্রা? লৈহন্দ্রগদি লূপ অমা নৎত্রগা ময়াম চোঙথোরক্তুনা নেসনল হায়ৱেশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকখিগদ্রা হায়বনি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা লিংলিবা লৈঙাক্লা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা/পাঙথোকপবু ৱাশাসু চাবা, লাল্লুপসু কাবা হায়বদুগী ফীভমদা মীৱা মৈশা তাফম থোকপ্রা? অচুম্বা-অশেংবা থবকশিং খক্তমক তৌ। হীরম খুদিংমক্তা মায় থাংজিন্দুনা চঙশিনবা ঙম্বগী থৌনা লৈয়ু। য়োংলৈ-মেল্লে নাইগনু। মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়দুনা কন্সটিট্যুসনগী ৱাহৈশিং পনদুনা ৱাশকখিবদু মতম চূপ্পদা কাউথোক্কনু। অচুম্বা চৎলিঙৈদা লমহেন-তুহেনবশিং য়াওরক্লগনা লোগী চৈবুলশিং মশা মশাদা য়োমশিন্দুনা পীজৌ। লৈবাকসিগী লো লৈরি, চৎনরি হায়বা ময়েক শেংনা খঙহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **“ৱাখলগী লৈকোল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) **“ৱাকৎ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“জনান্তিক”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) **“অওনবা সমাজ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


# নুংশিজরবা থিয়াম চাওবদা কৎচবা শ্রধাঞ্জলি

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৬**

**জিতেন নামৈরাকপম**

“ঐনা শিরগা ঐবু নীংশিংদুনা, শকপীরক্কনু অৱাবা ঈশৈ অসিখক্তনি হায়জরমনীংবা” লৈখিদ্রবা ওজা জয়েন্তকুমারগী ময়েক্লি তাকপীরম্মী। শৈশকপনা ওজা থিয়াম চাওবা, ওজাসু লৈখিদ্রে। য়াম্না পোপ্যুলর ওইখিবা ঈশৈনি খঞ্জে। ওজা অনীনা লৈখিদ্রবসু ময়েক্তি, ঈশৈদি হৌজিকসু হিংদুনা লৈহৌরি, হিংখিগনি। ওজা থিয়াম চাওবা ঐগদি য়ূম য়াম্না নক্না লৈজৈ। ইমান্নবশিংনা ওজাগা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী পুনমিন্নৈ হায়রফাওবা য়াবা জাৎনি। ইমান্নবশিংনা ঐঙোন্দা হায়, “ভাই, নঙনা করিগীনো মাম্মা, ককা চাওবদা ওজা কৌরিবদি, নঙদি ঈশৈসু তম্বা নত্তে। ঐখোয়দৌনা মাম্মা অদুম কৌবা য়াদ্রা? - করিনো ঐগীদি ওজানি, ঈশৈ তমগে তম্মু তম্মোই তোকউ, ওজাগী তোঙানবা মহাউ অমা লৈরি- ঐগী পাউখুমনি। ময়াম পূম্নমক নোকমিন্নৈ, হরাওমিন্নৈ, থকমিন্নৈ, চামিন্নৈ। করিগুম্বদা ওজাগী থবক অথুবা অমা লৈরগদি তপ্লি তপ্লি মোবাইল ফোনদা হায়রক্কনি - “জিতেন নঙবু ঙসি থবক অচিনবা লৈবরা?” ফনয়াম্না চিনবা থবক লৈরগসু য়ারিবমখৈ নংন-নংনবা শিন্দোক শিনজিন তৌনবা হোৎনজখি। - “য়ানি ওজা, থবক্তু চৎমিন্নসি।” অসুম্না য়াম্না নুংশিননা লোয়নমিন্নরকখি।

ওজানা ঐঙোন্দদি তত্তনা হায়খিবনি “নঙগী নখোলদু ঈশৈ শকপা য়াগনি, ঐ তারে নঙোন্দা তোঙানবা মীনা তম্বা ঙল্লোইদবা ইনবোর্ন ক্বালিটি অমা য়াওরি। নুমিৎ অফবা অমা য়েংলগা মোজাফুরিৎ অমখক ওইরবসু বোরিথোক্লগা লোইরে। লুহোংবা, শ্রাদ্ধ, নাহুৎ-নারেংগী পরেং পরেং প্রোগ্রাম লৈরি। গীতাঞ্জলিদা মিং হাপ্পীরগে ফমশক তৌরসি” - অসিনি। “কদাইদগী ওজা, হোল্লিৱুদ ফিল্মগী আর্নোল্ডগী মখোল মানবা ঐনা ঈশৈ শকঅদি ফজরনি। নূঙ নৎত্রগা খোঙউপকী লান লাক্লদি কমদৌবা। ঐগী ইচম চমজবা পাউখুমনি। ঐসু নোকই ওজাসু নোকই, ময়াম পূম্নমক নোকমিন্নৈ। তশেংনা হায়রবদা ওজানা ঐঙোন্দদি অসুম্না তৎতনা হায়খিবনি। ঐনা শুকয়া য়াদবা অদুদা ওজানা অসুম্না হায়রকখি - ইবো নঙসিদি অঙকপনি। মশানা য়াদবা নুপী ফারগা চেল্লকপগা চপ মান্নখ্রে। ময়াম পূম্নমক ৱা লাউনা নোকমিন্নখিবদু নীংশিংলকই।



থিয়াম চাওবা ঐগুম্বা অমনা থোইদোক্না শক্তাকনীংঙাই ওইদব্রা খঞ্জে। ওজাদি মণিপুরগী মমল লৈখ্রবা লননি। ঐনা তমগদৌরিবা ৱারী অসিদি মতেক খরতনি। ওজাগা ঐগা লোয়নরম্বগী পুন্সি ৱারী, ওজাদি ফাগীসু য়াম্না তৌগল্লি। অইরনিকেল, সতিরিকেল অদুগা হ্যুমরস ওইবা জাৎ জাৎ ঙাক্তনি থেংনখিবা অদু। মতম অদুদি অয়াম্বা মতমদা লোয়নরুবনিনা থোইদোক্লবু খল্লুদে। অদুবু ওজা লৈখিদবা চহী ৬/৭ হেল্লকপা মতম অসিদা ওজানা হায়রম্বা ৱাহৈ কয়া ওজাগী শক্তম, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, মীনোক মীতৌ হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্লি। ঐঙোন্দা ফোন তৌরক্কনি, হংলক্কনি “নঙবু য়ূমদা লৈবরা”? খুমখি - লৈজৈ ওজা তাকপীয়ু। -“লাক্লেনে, য়ৌরক্লে নঙ শুমাং”। ফদ্রং ফাওজিল্লকই য়ূমদা। ঐগী লোয়নবীগা ৱারী শাগনি, নোকমিন্নগনি, চা থকমিন্নগনি। ঐনা হংখি ‘ওজা করম্বা থবক’ - শম ককপা চৎলুবনি হৈরাঙ্গৈইথোংগী ইবুংঙোদো ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎনি দুকান থোঙ লোলহৌরি হৌজিক পুং ৮.৩০ তারবসি ফাওবদা। মানা শমকক দুকান হাংবসি, অদুসু চাং নাইনা লৈবাকপোকপা, শগোলশেলগা থাংজগনি। নুমিৎ হুমনি অসি মাদি অয়ূক ঙন্তাদগী থোঙ হাংজবনি। ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি কাউরুরে শম ককপা চৎলমদবনবু হেন্না ফৈ। পাউখুমদুদা ৱা লাউনা অমুক নোকমিন্নখি। নুমিৎ থাবান ফবা ফত্তবগী ৱা অমুক লাক্লে মতাং অসি য়ৌরকপদা।

ঐবু পুক্কি পায়না নোকহনবীরম্বা মাম্মা/ওজা থিয়াম চাওববু নীংশিংজবগা লোয়নননা মখা তারক্কদবা আর্টিকল মতেক অসি কৎচবগা লোয়নননা স্বর্গগী লৈকোল অদুদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইরসনু, খুরুমজরি।

নুমিৎ ফবা ফত্তবগী মতাংদনি লাকচগদৌরিবা মতাং অসি। য়াম্না থাজদনা ওজা অদু ইংরাজি য়াম্না লিংবনি, গ্রামাটিকেল্লি। “থুস কোসলে” য়াম্না হায়নৈ ওজা মসিবু করি হায়রিবনো? মণিপুরদা ইংলিস মচাশিং লাক্লগা ঙাঙলম্বদুদা প্রননসিএসন করি করা খঙদবগী ওইরমগদ্রা খল্লি - ‘দেট ইজ কোশ লেট’ - নৱা লৌদে কা হায়নবদু ওইরমগনি খল্লি। লৈখিদ্রবা কলাকার থিয়াম চাওবগী মতাঙদা ঐগুম্বনা ইবা খোৎপা ঙমজবসু নত্তে। থেংনরুবা খরদং তমজবনি। ওজানা খ্বাইদগী য়ারমদবসি নুমিৎ ফৈ ফত্তেগী মতাংসু য়াওরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোঙ লোনবা, লৈবাকপোকপা, শগোলশেন অমদি থাংজ নুমিত্তা থোঙ হাংজবা শমককফম অদুসু মী অদুক্কী মতিক চিনবা থেংনখিদবা নত্তে। লাকনীংলিবা ৱাফমদি হৌজিক হিয়াঙ্গৈগী মতম অসি কন্না লুহোংখৎনরক্লি। পাঞ্জিনা, করিনা অফবা নুমিৎ থিবদা মীয়াম মকোক্তা মখূৎ পায়নরে হায়বা য়াবজাৎনি। ওজা পাঞ্জি নুমিৎ থবান পাবিশিং নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬ লৈবা চহী অমগী মনুংদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী লুহোংনবা, শঙ্গাবা, শম কোকপা... করি করা ময়ামসি নোংমদা অফবা নুমিৎনি হায়বদা অমুক্তদা পুল্লপ তৌহনবসি য়াজনীংদে। হৌজিকপুদি ঐ লুহোংখিবা চহী ২৩/২৪ শুখ্রে। য়ারগদি লমতা থাংজগী শাথীখ্রবা খোঙবালাই তিনকাংলাই ভুট প্রেট হেলোই, হেঞ্জুনহাগী মাঙ্গোল কাবা ঙমদনা চুরিদা হাৎতোকপীখিবা অদুগী নুমিৎ অদুগুম্বদা ঐ লুহোংলম্লগদি হৌজিক্তগী হেন্না নুংঙাইরম্বসু য়াই। মসি পঙলবা ঐগী ৱাখল শাগৎচবগী ৱানি, কনাগুম্বনা মরৈ য়েৎপীরক্কনু।

মখা তারকপা ওইনা খ্বাইদগী ফরবা নুমিৎনি হায়না পাঞ্জিনা পীবা মতম, পুংফম কায়দনা লুহোংখিবা, লায়রবসু, মথোল মথোলগী বিল্ডিংদা লৈবা মতৈ মনাও কয়াসু, ফুনবও চৈনবও, অউনপোৎ থাংখিবও, কোর্টতা কেস তৌনবও, ঈহিং নাহিং শাবও, পনবু পঞ্জনীংদ্রে। মতাং অসি য়ৌরকপদা হংজনীংবা ৱাফমদি নুমিৎপু অফবা নুমিৎ, ফত্তবা নুমিৎ লৈবা হৌনব্রা? হাপ্তা অমগী নুমিৎ তরেৎনিসি অফবা মক্তনি, নুমিৎ, থা, থাবান, পংহায়দা হায়জিনবগী ৱা ওইরম্বসু য়াই। অসুম অসুম শাংদোকখ্রগদি সোলর সিষ্টম, গেলেক্সি, হাইপোথেসিস ময়ামসি নৈনবা মতমদা কোক শোয়দনা ঙাওরক্লগনি। নৈনবদা লোইবা শুকনাই নাইররোই। তৌবতবু লুহোংবা নুমিৎনি হায়বা নোংমগী নুমিৎতা ঙরাং নহান্তনি চেবাউ হায়গদ্রা বার্ত্তন ৩/৪ ফংজখি। পূন্না পাশিল্লুরগদি ১৫/২০দি শুরম্মনি হন্দক্কী থা অসিদা চৎলি, গাড়ী থৌই। অঙকপনি ইম্ফাল ময়োল অসিদা পাঞ্জিনা চপ মান্নবা নুমিত্তা লুহোংবগী নুমিৎ পীশিনবদগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন মায়কৈ মরিদগী লাকপা লুহোংবগী গাড়ী পরেংনা ৱায়খায়নরে। তৌবতবু ট্রাফিক লাইট থেৎপনিনা খরবুদি শ্বর হোন্দোক্লি। য়েংবিয়ু ক্বাকৈথেল, জঙ্কসন, শীংজমৈ, চীংঙা চীংগী ময়োলগী মোইরাংখোম, য়াইস্কুল, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মনীং, গভর্ণরগী গেট মমাং, কংলা পার্ক, খুয়াথোং, এল আই সী ওফিস মনাক্কী ট্রাফিক জাম, হাইগৎপীরকউ নোর্থ এ ও সিগী ট্রাফিক পোইন্ট, তমজরিবসি খরখক্তনি। ইম্ফাল ময়োলদা ট্রাফিক জাম থোক্তবা মফমবু কদাইদা লৈবগে? ঐখোয় চৎনবী নুমিৎ, থা, থাবান-নুংবানগী মতাংদা খঙজদ্রবা ননাইনা করিসু তৌবা ঙম্বা নৎচদে। তৌবতবু মীশিং হেনগৎলকপনা হায়গদ্রা গাড়ী মশীং য়াম্লকপনা হায়গদ্রা নৎত্রগা চপ মান্নবা নুমিৎতা নুমিৎ ফৈ হায়দুনা থৌদোক ৱাথোক থোকহনবা ওইগদ্রা কদাইদনোমদি অশোয়বা অমা য়াওরব্রা খঞ্জে। লৈখিদ্রবা নুংশিজরবা ঐগী মাম্মা, ওজা থিয়াম চাওববু পিরাং মরীক্কা লোয়নননা শ্রধাঞ্জলি কৎচরি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

(আর্টিকল অসিগী ৯০শুবা ইশুদা য়াওখিবা iii) অদু iv) গী ওইগদবনি অদুগা (iii) গী ওইগদবা শরুক্না - ***লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৪৬কী অরোইবা মকক্তা “অদুগা পংকুই কুইদনা শ্রীপাটকী গুরু আখড়াসিদা খৃ: ১৭৯৮গী মেরাগী হুমনি পানবদা রাজর্ষি থুপখি।”*** )

(ঘ) গোবিন্দ (মীরম লাই কৃষ্ণ) না ইরমদম মণিপুর কৌরবা মফমসিদা লমদল্লম্বা/লৈরম্বা চহী ৩ খেনবসিগী মতুংইন্না ২২দগীনা ১৯নি।

(ঙ) গোবিন্দ (কৃষ্ণ) বু ভাগ্যচন্দ্রগী মমঙদগী পুথোক্তুনা চহী ২২/১৯ লমদমসিদা লাৎলম্লবা মতুংদা নবদ্বিপ্তা পুদুনা লাৎলবা মতুং মশানা খৃ: ১৭৯৮গী ওক্টোবরগী ২২, মেরাগী ৩নি পানবা নিংথৌকাবা (চুমথোক্লবা মতুংদা) লৈখিদবনা, গোবিন্দনা অনুপ্রভু ওইনা মমিং হোংদুনা নবদ্বীপ্তা খোঙলেংবা/চৎপা চহীদুমক্তদা শিখ্রে হায়বা য়ারে।

(চ) মচাইবেম্মা বিম্বাবতীসু মপাবুংগা লোয়নননা নবদ্বীপ্তা চৎলগা অনুপ্রভুগী সেবা চৎলবা মতুংদা মপাবুং লৈখিদবা মতুং চহী চাওরাক্লা ২৩ (চপ চাবা পীরমদ্রবনা) গী মতুংদা মশাগী চহী ৫০ শুরকপদা লৈখিদে হায়না পনবসু মথক্তা উৎচখ্রে।

মথক্তা পীখিবা মরম কয়াসিদগী ঐখোয়না তশেংনা খঙলে মদুদি মণিপুর কৌরবা ইরমদমসিদা মীরম লাই গোবিন্দ/কৃষ্ণ কৌবসি কুমজা ২০২১ ফাওবদা লৈরক্তবা চহী ২২৩ শুখ্রে। অসিগী মথক্তা লাই মশানা মণিপুর সনা লৈবাক অসিদা মুর্ত্তিদমক ওইনা হায়বদি থৱায় মিরেল য়াওদ্রবা, মতিক ময়াই অমৎতা লৈত্রবা/করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা অমা ওইনা হায়বদি তাংজ লিন্না মফম অমদা লৈরিঙৈদা মফমদুদা মকু হুরম্লগা অহিংবা মশা-মতিক ময়াই লৈবা তাংজ লিন ওইনা চৎখিবদুগা চপ মান্নরবনি। মরম অসিনা খৃ: ১৯৭২দা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ লিংলগা মীরমগী লাই লৈ হায়দুনা লাৎতুনা/থৌগল তৌদুনা লৈরিবসিদি মীরমগী লাইদা নত্তে হায়না থমজগে।

অদু ওইরবদি করি করম্বা/কনা লাইবু থৌগল তৌদুনা অসুক শাংবা চহী ২২৩সি থৌগল চঙদুনা/তৌদুনা লাকইবনো হায়বগী মতাংদনা মখাগী অসুম্না থমজগে :- “মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মঙলান্দা লাক্তুনা কাইনদা হৌরিবা থৈবোং অসিবু তাইবঙগী মপু ওইরিবা মহাক্না শায়োন তৌদুনা হৌবনি।” (লাইরিক্তুমক্কী চেমায় ৮৭কী অহানবা শরুক)।

থৈবোং পান্বী অদু ইবুধৌ (পাখংবা) গী খুদমনি। (চেমায় ৮৮গী ২শুবা মকক্কী অহৌবা)।

থৈবোং মশা অমত্তনা তাইবঙ মপু অমদি ইবুধৌ পাখংবা ওইবনা, মীরমগী লাইদি মরমদা চৎখ্রবনিনা, লমদমসিগী লাই ওইবা ইবুধৌ পাখংবদি লেংদনা লৈফম থোকপনা, হান্নদগী শঙলেন/মন্দির অমত্তদা অমনা অফোংবা অদুগা ইবুধৌ পাখংবনা শকলোৎনা মতিক ময়াই লৈনা চহী ২২৩ চূপ্পা লৈরকপদু, হৌজিক্তদি ইবুধৌ পাখংবগী মতিক ময়াই পীবা হৌরক্লবনি হায়না থমজগে। অদুনা ইয়েকচাশিংনা লাইফমলেনদুদা চৎতুনা খুরুম খাজংবা মতমদা ইবুধৌ পাখংবা ওইনা/অহৈবনা ইবুধৌ পাখংবগী মিঙ্খেরোল শোন্দুনা থৌনিজবা মতমদা ইবুধৌ পাখংবনা শোয়দনা থৌজাল ললকুবীগনি হায়বসি মশানা তারবনি।

মায়চৌ অঙোম গোপীনা ইবা ‘ভাগ্যচন্দ্র লাৱৈ লাথুপ’ কৌবা অরিবা লাইরিকসিদা - কাইনগী থৈবোংদগী শাখিবা লাইশিংদা মীতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না ‘পাকলৈ নমশা’ নমলম্বদু ভাগ্যচন্দ্রনা গঙ্গাদা চৎলুবদগী লোইনরকপা সোই গোষাইশিংনা উবদা নিংঙমদবা/পেন্দবা পোকপদগী মদুগী মহুত্তা হিন্দুগী চৎনবী চন্দন থিনবগী মরমদা ইবা ‘ভক্তি তত্ত্বসার’ দা য়াওবা ‘দ্বাদশ তিলক’ হায়বা চন্দন মথিন্দু (হান্না শকপাল/মুর্ত্তিশিংদা থিনখিবদু মুথৎলগা) অনৌবা মওংদা থিনহনবগা লোয়নননা লমদমসিগী মীপূম খুদিংদসু থিলহননবা ভাগ্যচন্দ্রবু লাওথোকহনখি। মথক্তা পনখিবা “তেংপানবা মপুগা ইবুধৌ পাখংবগা অমত্তনি” হায়বা ৱাফমসি হান্না “পাকলৈ নমশা” নমলম্বসিনা হেন্না চেৎশিনহনখি।

১০) ইনাৎ লাইনীং লিচৎ হঞ্জিল্লগনি তাকপা ৱারোলশিং :-

১) মীলোল ৭শুবা নোংমা হেনবা তৌদনা মীতৈ লীচৎ হঞ্জিনশি ৱাশক পরৈনখিবদু ৱাশক পরৈ থুগায়বদি ইনাৎ পীখম্নসি হায়খিদবরা নীংশিংহল্লে। অচুম্বা মীতৈ লীচৎনা মৈরিগুম অরানবা পূম্নমকপু নোংম নোংমগী চাকথেল্লক্লগনি। (লাং তাই ৱায়েল; চীংউগী ৱায়েল/৫৭ থৌকাইজবা: হাওবম ইন্দ্রকুমার)।

২) খাগেম্বা নিংথৌগী মপোক অমুক হনজিল্লকপা নিংথৌ অমদি পামহৈবা নিংথৌগী তরেৎশুবা মপোক য়ৌরকপদা ইনাৎ লাইনীংদা হঞ্জিলগনি হায়রম্বা মীতৈ পুয়াগী অচুম্বা ৱারোল :-

কাইবরোল পুয়াদা ইদুনা য়াওরিবা মতমগী খোঙলৈ তাকপা পাউতাক পাউজেল অসিদা পল্লিবা খাগেম্বা নিংথৌগী মপোক অমুক হঞ্জিল্লকপা হায়রিবা নিংথৌদুগী মমিং পনবা তারবদি ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎনি। ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র (চীংথংখোম্বা) হাক্তক্তগী লৈপাক অসিগী নিংথৌশিং অমসুং কংলৈচা মণিপুরী মীতৈ হিন্দুশিংনা চৎলিবা হিন্দু লাইনীং অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লাই অমা ওইনা লৈরক্লিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দ অসিগা লৈপাক্কী নিংথৌগা লৈনরকপগী মরী অদু ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী হাক্তক্তদি (১৯৫৫-১৯৯৬) তৎখি।

ইনিংথৌ পামহৈবগী তরেৎশুবা মপোক য়ৌরকপদা লৈবাক মীয়াম্না মশাগী অরিবা লাইনীংদা অমুক হঞ্জিনগে হায়বদু নিংথৌ অমসুং শান্তদাস গোসাইনা য়ারবদা লৈবাক মীয়াম্না চীংঙু খোইয়ুম অশিবা মরী শিদবা লাইয়িংথৌ সনামহী মিংখৈ থাদোক্লগা রাম নাম শোন্দুনা নোংখ্রঙ ইরুপহন্দুনা রামান্দি লাইনিং লৌহনখিবনি। নোংখ্রঙ ইরুপ্তুনা ৱাশক পরৈ পুনখিবনা মরম ওইরগা অনম অহা চুরিবা, ৱাখল লৌশিং ফকচিল্লিবা অসি কোক্লবগীদমক খৃ: কুম ১৯৭৪ ফেব্রুৱারী ৬, ফাইরেল থানিল, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা নোংখ্রং পরৈহনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ৱাশক পরৈ হনবীখিবদুগী চেরোল পাথোকখি।

খৃ: কুম ১৯৯২, এপ্রিল থাগী চৈচৎ ২৩, শজিবুগী ২১নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা ইনিংথৌ অসিনা হিন্দু লাইনীং থাদোক্লে লাইনীং অসিগী মহুত্তা মীতৈশিংগী অরিবা লাইনীং অদু অমুক হিংগৎহল্লে হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি - “ঐনা লুবাক তাবু হাংদোক্লে অদুগা লৈবাক্কী লাইনিং ওইরিবা হিন্দু লাইনীংবু থাদোক্লে অমসুং (লাউথোক-চে) অসিনা লৈবাক অসিগী চৎন-পাথাপ্পা (হিন্দু লাইনীংবু) শক খঙলম্বা অদু থাদোক্লে, (মসিগী মহুত্তা) নিংথৌগী চৎন-পথাপ্পা লাইনিংথৌ-লাইনীংবু হিংকৎহল্লে অমসুং লৈবাক্কী লাইনীং ওইনা শক খঙলে।” ●